# মণিপুরদা কৈথেল মুন্নবা





**এস সুমঙ্গোল সিংহ**

**হন্দক্কী** লাইবক থীবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা নৌনা শাখিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল শঙ অনীদি শীজিন্নবা য়াদবা মওংদা লৈরবা মতমসিদা ওইরক্লিবা ৱাথোক অসি য়াম্নমক নৈননিংঙাই ওই। লাইবক থীবা হায়গদ্রা ফবা হায়গদ্রা লৌউ পোত্থোক্লা মরু ওইনা য়োল্লিবা কৈথেল অমখত্তঙদি অকাই-অতোই অমত্তা থোকহৌদ্রে। মতম কুইনা লীরবসু ফিরোল, দেব-কম্মগী ওইবা লাইগী মপোৎ মচৈ য়োল্লিবা কৈথেল অনীনা অকাই-অতোই থোক্তুনা শীজন্নিবা য়াদ্রে। মতাং অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম তোঙান তোঙানবা পোৎলম অনী য়োল্লিবা কাঙবু অনীগী কৈথেল মুন্নরকপগী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়াম্নমক নৈননিংঙাই ওইরিবসি। নৈনদুনা য়েংমিন্নসি।

তঙাইফদনা নোংমগী শীজিন্নদ্রবতা য়াদবা মীওইবা ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চীঞ্জাক মনা-মশিং, এঞ্জাং-নাপীশিং থাপ্লবা খুঙ্গংগী লমদমদগী পোৎচাউ-পোৎলুম ওইনা ৱানা তুম্বা চাবা খঙদনা নোং ঙান্দ্রিবৈদা খ্বাইরম্বন্দ য়ৌনবা পুখৎলক্লগা কৈথেলদা য়োনফম খঙদনা লৈরিবা ইমা ইবেনশিংনা ৱানা হোৎনরিবা অসিনবু লৈঙাক্লা করিসু কন্থবা তৌদনা কোইতান তান্নদুনা মফম-মরাং খঙদনা থল্লিবা ইমা-ইবেনশিংগী ফীভম অঙকপনি। মতম কুইনা লীদুনা থল্লবসু করিসু অকাইবা থোক্লোইদবা অদুগা মদুবু য়োল্লিবা ইমা-ইবেল অয়াম্বগী লৈফম্না খ্বাইরম্বন্দ ময়োল্লমক্তগী ওইরিবা অসিগুম্বা পোৎলমশিংগী য়োনফমগীদমক্তি লৈঙাক্লা অসুক্কী মতিক মরু ওইনা লৌবগুম উবা মওং অমা উৎপা মানবা থৌওং চৎতবা অসিনি মীয়ামগী পূক্লিং চীংশিন্নিংঙাই ওইরিবসি। অঙকপা অমদি ফাওই হায়জনিংই। হন্দক্কী মতাংসিদা মথক্তা থাজরিবা পেরিসব(কুইনা লীদুনা থম্বা য়াদবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা ঙা-চাক, এঞ্জাং-নাপী) নত্তবা পোৎলমশিং য়োল্লিবা মখোয়গীদমক্তি খুদক্তা মুহমদ বিন টুগ্লকক্কী থৌওংদুগা লম্বী চীল্লে হায়দুনা গাড়ী পার্ক তৌবা য়ারোই হায়দুনা লাউথোকখ্রবা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী তঞ্জাই কনশিল্লগা খুদক্তা টেম্পররি মার্কেট শান্নবা হোৎনবা উবা ফংই। অঙকপনি! অমরোমদা মতম শাংনা খৎন- চৈনদুনা মশম-মনা ফোইনদুনা কৈথেলদা ৱাথোক ওইরক্লবা ঙা-কৈথেল, মনা-মশিং য়োল্লিবা ইমা ইবেলশিংগী ৱাফম্না কয়াদা লায়না লৌদুনা হৌজিকফাওবা করিসু নাচুংদনা লৈশিনবা অঙকপা লৈঙাক্কী থৌইনশিন্নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদ্রা। কনাগী ৱাকৎনা হেন্না লুম্না লৌফম থোকপগে হায়বদু অঙাং মচা অমনসু পাউখুম চুম্না পীরক্কনি খল্লি।

লৌউ-শীংউগী ট্রেনিং কয়া, এৱ্যানেস কয়া পীবা চৎপা মতমদা থেংনজরকপা লৌউ-শীংউ তৌরিবা ইচিন-ইনাউগী ৱাকৎ কয়ানি। মখোয়না হায়ববু- লৌমী ঐখোয়সিদি লৌমী ওইনা অদুমক মী ওইদনা লেনবা তাবনি। মরমদি লৌউ-শীংউ তৌবদা চংদবা য়াদবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক পীগদবা হারশিং মতম চানা মরম চাবা মমলদা অয়াম্বা মতমদা ফংবা ঙমদ্রে লৈঙাক্লা লৌমীশিংগীদমক অহোংবা মমলদা নৎত্রগা লেম্না পীবগী থৌশিলগী মখাদা ফংফম থোকপা অফবা মরু চান-চানবা মমলদা মতম চানা কৈদৌনুংদা অশেংবা লৌমীশিংদা ফংহনবা ঙমদে। মরুশিংদুগী দরকার লৈতবা মীওইশিংগী শঙ্গোইদা, য়েনাখাদা শীজিন্নফম খঙদনা তাদুনা লৈবদি থেঙনৈ। বন্দ ব্লোকেদকী নমাদা ট্রেক্টর খোইনবা থাও য়াম্না ৱাংবা মমলদা ব্লেকতা ফংবনা লৌবুক্কী অখোইমনসু স্বর্গ পক্লা ৱাংবনা লৌ উবদা শেল য়াম্না চংই। খূৎশুমলনসু মপান নাইদনা ৱাংই। অসুক ৱানা হোৎনদুনা ৱানা পুথোরক্লবা পোৎথোক্কী মমলনা য়োনফম মতিক চানা লৈতবনা অমদি নিয়ম চুম্বা রেগুলেট মার্কেদ লৈতবনা মমল হোংনা য়োনবা তারকই। মরম কয়া অসিনা লৌউবা ঐখোয়গী শেন্দোংদি কদাইদগী ফংগনি? তৌদবা য়াদবা শীনফম ওইবগী তঙাই ফদনা তৌনবনি। অমরোমদা অমুক য়েংলবসু ঈথৈ লৌখোং মতিক চানা লৈতবা মরম্না মতম চানা ঈশিং ফংদবদগী পোৎথোক মতিক চানা পুথোকপসু ওইথোক্লে। ৱাবনা হেল্লি। শেন্দোং ফংদে। কয়াদা চুমখ্রবা ৱাফম্নো! মখোয়না থাংগৎলক্লিবা ৱাকৎসিগী পাউখুম ট্রেনিং পীরিবা ঐখোয়না খুম্ফম লৈতে। লৈঙাক্লা হায়জরুবনা হেন্না ফজনি হায়বা নত্তনা।

মতাং অসিদা লৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা পোৎচাউ পোৎলুম পুদুনা অথাপ্পা খুঙ্গংদগী গাড়ী ভারা চাউনা তিংদুনা লাক্লিবা মখোয়গী কৈথেলসি ইম্ফালগী কাচিন অমদা লৈরিবা লম্ফেলগী সুপর মার্কেট তান্না অমুক পুদুনা চৎখিনবা লৈঙাক্লা তাকপীরিবা অসিনি। মসিগীদমক রিক্সা ভারা চাউনা অমুক তিংবা তাবনি। ভারা শেল কয়া অমা তিংদুনা পুরশি, মফমদুদা কনানা মদুবু অমুক লৈবিগনি ? য়োনবা লোইহৌদবশিংনা অদুনা অমুক মতম খরা লীদুনা থম্নবগী কোল্ড ষ্টোরেজনচিংবগী খুদোংচাবা লৈবসু নত্তে। ময়ূমদা অমুক পুদুনা হনখিবা তাব্রা? কয়াদা খুদোং চাখিদ্রবা ফীভম্নো থেঙনরিবসি। লৈঙাক্লা মসিগী অৱাবসি কোকনবা হোৎনবিফম থোক্তবরা? ফিয়োনবীশিং মফম অদুদা মতম খরা ফমহনবদি করি অকাইবা লৈবগে?

লৌমীশিংগীদমক্তা মখোয়গী য়াইফনবা থৌশিল কয়া কৈথেলনচিংবগী য়াওনা প্রোগাম কয়াগী মখাদা পায়খৎলিবনি। অদুবু লৌমীশিংগী ফীভমনদি নোংম-নোংমগী ফৎচিল্লক্তবা হেনগৎলকই। করম্বা অশোইবা লৈবগীনো হায়বদু ঐখোয় পূন্না য়েংশিনমিন্নবা মতম ওইরব্রা খল্লি। লৌউ-শিংউবগী শেন্মীৎলোন্না ঐখোয়গী লৈপাক অসিগী শেন্মীৎলোন্দা চাদা হুম্ফু হেন্না থৌদাং লৌরিবা হায়বসি কাউদবা ফৈ।।

---

# ইমোইনু অহোংবীগী শাইওন-লাংওন অমসুং ইরাৎলোন

**এন বীরচন্দ্র**

**“লাইরেন্বী অসিগী মতিক মগুন খঙনরকখিবসি মরুওইনা লুৱাং কুরু পুন্সিবগী তালোই খুমন চনু ঙানু থুন্বীনা পোকপা সেনবা মিমাবা কৌবা মচানুপা অসিনা ইমোইনু অহোংবীবু মমাগী পাউতাক মতুংইন্না মপা ইবুংঙো লুৱাং পুন্সিবগী ময়ূমদগী খুমন লৈবাক্তা পুখিবা অমসুং খুমন লৈপাক অহোং অচাউ তন্নকখিবা থৌদোক অদুদগী লাইরেন্বী অসিগী মতিক মগুণ খঙনরকখি। মথক্কী থৌদোক অসি ৱাকচিংগী ১২নি পানবা নুমিৎতা থোকখি, মরম অদুনা নুমিৎ অসিবু লাইরেন্বী অসিগী নীংশিং নুমিৎ (মপোক নুমিৎ) ওইনা পাংথোক্নরকখি।”**

**ৱাহৌদোকঃ**

অহোং-অচাউ অমসুং লনগী লাইরেন্বীবু মৈতৈনা ‘ইমোইনু’ হায়না কৌনৈ। লাইরেন্বী অসি ‘য়ূমোইনু’ হায়নসু খঙনৈ। লাইরেন্বী অসি অহোং অচাউগী লাইরেন্বী ওইবনা ‘ইমোইনু অহোংবী’ হায়নসু শৈথানৈ। ফুঙ্গাদা লৈবা অরুবা লাইনি হায়দুনা ‘ফুঙ্গালাইরু’ হায়নসু কৌনৈ। অদুনা ইমোইনু ইরাৎপবু ফুঙ্গা লাইরু লাৎপা হায়না খঙনরম্মী। য়ূমলাইশিংগী মনুংদা লাইনিংথৌ সনামহি অমসুং ইমা লৈমরেল (ঈশাইফু) অনী অসিগী মথংদা ইমোইনু অহোংবীনা ওইরি।

১৮শুবা খৃষ্টকী চহী চাদগী হিন্দু লাইনিং লাকখিবগা লোয়ননা লাইরেন্বী অসিগী ইরাৎ-থৌনি থৌওইনরকখিদে। অদুবু মাগী মাগী ইমুংদা হায়বদি ফুঙ্গা লাইরুদা নোংমগী অয়ূক-নুমিদাংগী চাক কৎনরম্বগী চৎনবী অমা লৈরম্মী হায়বা বৃটিশ রেকোর্ডশিংদসু ফংই। মসিগী মথক্তা মৈতৈ ঐখোয়গী পোকপদগী শিবা ফাওবগী মথৌ-মঙম হায়বদি ইরাৎ-থৌনিরোলদা য়েলহৌঙৈদগী ঙসিফাওবদা কায়দনা তৌনরম্বসু ফংই। মসিগী ৱাফম মখাদা থমজরক্কে।

**লাইরেন্বী অসিগী খুদমঃ**

লাইরেন্বী অসি (ইমোইনু) য়ূমলাই অমসুং লমলাই ওইনা লাৎনরম্মী। অদুবু য়ূমলাই ওইনা মরুওইনা ইরাৎনৈ। য়ূম খুদিংমক্তা লাইরেন্বী অসিগী খুভম অমা অঙনবা মতমদা থম্মরমই। য়ূম অদুগী ফুঙ্গা অদুগী মনীংথংবা শরুক্তা লাইরেন্বী অসিগী য়াতাফম ওইরমই হায়বসি মখাগী তেংথারোন অসিনা তশেংনা উৎলি।

“হে লাইরেম্মা ফুঙ্গা-মনীং ফম্বী ইমোইনু অহোংবী
তরা চাকনিং খাক্লা চাকশৌবী য়েনিংখাক্লা য়েনশৌবী”

লাইরেন্বী অসি য়ূমগী করম্বা মফমদা লাৎনরম্বা অমসুং করম্বা মওংদা লাৎলম্বগে হায়বগী মতাংদা জে সেক্সপিয়রনা অসুম্না পীরমই,

“ফুঙ্গাগী মনীং থংবা, অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা কোম অমা তৌরগা চফু অমা ফুমদুনা থমই, মদুগী মমায় অদু লৈপাক্লা তুম্পক তানা কুপশিল্লগা ময়ায়দা অহোবা অমা থমই। অসিগুম্বা অহোবা অসিদা অয়ূক্কী নুমিদাংগী চাক এঞ্জাং খরা থাদদুনা লাইরেন্বীদা কৎলমই। চফু অদু মখুম হাংদোক্তুনা মরক মরক্তা শেংদোক্লরমই।”

মথক্কী অসুম্না চাক-এঞ্জাং কৎতুনা লাইরেন্বী অসিবু ইরাৎনরম্বগী মওং ঐখোয়না অঙাং ওইরিবৈদগী উরকত্রে। করম্বা মতমদগী তোকখিবনো চপ-চানা হায়বা ঙম্নদ্রে। অদুবু ফুঙ্গা লাইরু হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা চাক কৎনবদি য়ূমথোঙ অয়াম্বদা তৌনরমই। মতমগী মতুংইন্না মৈতৈগী য়ূমশিংদা ফুঙ্গা থম্বগী চৎনবী মাঙখ্রবসু লাইরেন্বীগী তরা চাক তম্বগী চৎনবী অসিদি খুদোংচাবা মফম য়েংদুনা কৎনবা ঙসি ফাওবা মীওই কয়ানা তৌনরি। অদুবু অয়াম্বা ইমুংশিংদদি উবা ফংদ্রে।

**ইমোইনু অহোংবীগী শাইওন-লাংওনঃ**

ইমোইনু অহোংবী কনানো? কনাগী শাইওন নৎত্রগা লাংওননো হায়বা ৱাফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মত লৈ। চহী চা কয়া হিন্দু লাইনিংনা কুপ্পুনা লৈরুবনা মতমগী মতুংইন্না অকাউ পৱে চন্নখিবনা চয়েৎনবা অসি থোক্লককখিবনি। মতশিং অসি মথং মথং নৈননবা থমজগে।

১বাঃ অখঙ-অহৈ খরগী মতুংইন্না লাইরেন্বী অসি লুৱাং কুরু পুন্সিবগী তালোই ওইনা উৎনবা হোৎনৈ। মত অসিবু শৌগৎপা ওইনা ফৌওইবী লাংওন কৌবা পুয়াদা য়াওবা ৱাফম অমা অসুম্না পুখৎলকই-ফৌওইবী লাইরেন্বীনা মহাক্কী অরোইবা মিৎকুপ্তা নমোই অহোংবদা মথংগী লাংওনদা মখোয় অনী অমুক হন্না উন্নসি মথংগী মপোক লাংওন অদুদা লাইরেন্বীনা য়ূমোইনু (ইমোইনু) ওইনা শাইওন তৌরক্কে, ফৌরুংবা নমোই অহোংবনা লুৱাং সলাইগী অহোংবা ফৌনা পোকলকও হায়না পুকমেন পাউমেন্নরল্লগা কোরৌ নোংদা কাখি। (ফৌওইবী লাংওন-অরোইবা লাতম)

স্কোলরশিং অসিগী মত্তা মথক্তা পল্লন্লিবা লুৱাং অহোংবা অসি লুৱাং কুরু পুন্সিবা ওইগনি। মহাক্কী মমিং তরেৎকী মনুংদা অহোংবা (অহোংবা কোৎচি লেন) অসিসু অমনি। ৱাফম অসি ফৌওইবী লাংওনদা য়াওরবসু ইমোইনু অহোংবী লুৱাং পুন্সিবগী নুপী ওইনা পুশিল্লকপদি ঐখোয়গী পরম-পরাগী চৎনবী অমসুং থাজনবগা চাউনা খেন্নবা লৈ। সেনবা মিমাবনা ইমোইনু অহোংবীবু লুৱাং পুন্সিবগী ময়ূমদগী লৌখিবা মতমদা লাইরেন্বী অসি হনুমলৈ চল্লবা, কলাক কুরু কারবী অমগুম শৈথারি। অসিগুম্বা হিয়াই চেল্লবী নুপী (লাইরেন্বী) অসি লুৱাং পুন্সিবগী তালোই ওইনা লৌবদা চান্নবা ৱাৎলি। পুয়াদা য়াওই হায়দুনসু চৎনবী অমসুং থাজনবীগী ৱাংমদা লৈবা ৱাফমদি অচুম্বা কৈদৌঙৈদসু ওইরোই। থিওরি অসিগী মতুংইন্না ইমোইনু অহোংবী ফৌওইবী লাইরেন্বীগী শাইওন ওইনা পীরি। মসিসু ওইথোকপা য়াদবা ওইগনি।

২শুবদাঃ *ইমোইনু অহোংবীগী তুংনফম* কৌবা ৱাই বুধিচন্দ্রনা ইবা লাইরিক্তা পীরিবা মতনা ইমোইনু অহোংবী অসি অতিংঙা য়াইবিরেন শিদবগী লোয়নবী লৈমরেল অদু ওইনা উৎনবা হোৎনরি। মতাং অসিদা থমজনিংবদি লৈশেম নোংশেমঙৈগী মরুওইবা লাই অহুম তিংগাকোক, অতিংকোক অমসুং অতিংখম অহুম অসিগী লৈমরেল অহুম লৈখি। তিংগাকোকপু তাইবঙ পানবগী মপু হায়না খঙনৈ। মহাকপু তোঙান-তোঙানবা মিংথৌন লৈ। মখোয় অদুদি অতিংঙা য়াইবিরেল শিদবা, ইপুরোই শিদবা, লাই কশা, সলাইরেন শিদবা, তাইবঙপানগী মপু অসিনচিংবনি।

লাইনিংথৌ অসিগী লৈমরেন শিদবীনা লৈমরেন করোংবি (সিংকুপলেং নুংতরেং) হায়না কৌই(থিরেন মৈরেমলিবা লাঃ ২৮)। অদুবু লাইরেন্বী অসিদি ইমোইনু অহোংবী ওইনা শৈথাবদি থেংনদে। মসিগী মথক্তা ওজা অসিনা মহাক্কী লাইরিক অসি মৈতৈগী পুয়াদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইরম্বগী মহুৎতা ফূরূপ অমগী লন্নাই ওইবা তেংথারোলদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইরম্বনা থিওরি অসি পূকচুম চুম্লে হায়বদি লানগনি। থিওরি অসিগী মতুংইন্না লাইরেন্বী অসি লৈমরেনগী শাইওন ওইনা উৎনবা হোৎনবদা নত্তনা ঙারৈমা, থুমলৈমা, শিললৈমা, ফৌওইবী লাইরেন্বী পূম্নমক অসিসু মহাক্কী শাইওন-লাংওন ওইনা পুশিল্লক্লবা হোৎনৈ। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লৈমরেনগী লাইচৎতা ইমোইনু য়াওদে অদুগা লোয়ননা লাইরেন্বী তরেৎ অসি তোঙান তোঙানবা ঙাক্তনি। মীওই অমগী শাইওন ওইদে। ঙারৈমা, থুমলৈমা, য়োৎলৈমা, ৱাত্রে শিনহৈবী, ফৌওইবী পূম্নমক অসি নোংথাংলৈমগী লাইচৎনি। (লাইচৎ-লাইচন)

পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইমা লৈমরেনসিদবীদি য়ূমগী কজাও য়াবীনি। মহাক্কী শৈথাদা ফুঙ্গা লাইরুদা লৈবগী ৱাফম লৈতে। ফুরেননুংদা য়াতাবী ওইরবসু লৈমরেনগী ফুনা ঈশাইফুনি, ইমোইনু অহোংবীগী ফুনা তরা চাকপু থোংবা ফুনি। মরম অসিনা ইমোইনু অহোংবী তাইবঙ পানবগী মপু ওইরিবা অতিংঙা য়াইরিরেন শিদবগী লৈমরেন ওইবা য়ারোই। ইমোইনু অহোংবী মালেম লৈরেলহনবীগী (লৈমরেনসিদবী) মমোমলোইনি হায়না থালোয় নোংখায়লোনদা ময়েক শেংনা পীরি। ইমা লৈমরেনসিদবীবু অচিতৎতবী, অরাই কংদবী হায়না শৈথাই হায়দুনা ইমোইনু ওইরে হেক্তা হায়বসু হায়মনবা থোক্কনি।

অহুমশুবা থিওরি অমনা মণিপুরগী মশকনাইবা পণ্ডিত খুমলম্বম য়াইমনা পীরিরম্বা মতনি। ওজাগী মত মতুংইন্না লাইরেন্বী অসি তাংজা লিলা পাখংবগী লৈমরেন য়াইস্না ওইনা উৎলি। ওজা অসিনা পীরিবা ৱাফমদি লৈনুং লোনজা অরিবা তাংজালিল্লা পাখঙবনা শাফোঙলক্লবদা চীংখৈদা লৈবী লৈমরেন অমসুং নোংপোক অচিবগী মমোমলোই অদু পাখংবদা খূৎশিন্নরে। ইমোইনু কৌনা ফম্বাল তোংমিন্নরে। ৱানা হৌফম অদুসু চাকশৌপুং য়েনশৌপুং ফৌরে, খুরাই অহোংপুংনে। (কংলা লয়াৎ লাংঃ ১৮-১৯)

ওজা অসিনা ইবা অরিবা *সিম্থোং লমলেন* কৌবা লাইরিক অদুদসু মহাক্কী মত অসিবু শৌগৎতুনা উৎলি। লাইশোন অদু য়েংসি-

“হে লাইরেম্মা ফুঙ্গা মনীং ফম্বী ইমোইনু অহোংবী তরা চাকনিং খাক্লা চাকশৌবী, বাৎলৈ য়েনিংখাক্লা য়েনশৌবী অচি তৎতবী অরাই কংদবী, হিরৈমা, য়াইরৈমা, হিপোইপি য়াইপোকপি, হিকুপি, য়াইকুবি, খোইনৌ নতা-তরুকমক্কা হিশৌ য়াইশাকোক কৌনা লোইন্না লাইরেম্মা তরেৎমক্কা তাইবং নোংশাপানগী চরা নোংদম্বী...।”


তেংথারোন-লাইশোন অসিগী মতুংইন্না ইমোইনু অহোংবী অসি মালেম-লৈশেম নোংশেমঙৈগী লাইরেন্বী তরেৎকী মকোক ওইবী য়াইস্না অসি ওইনা উৎলি। লাইরেন্বী অসি নোংথাং লৈমা ওইগনি। (অরিবা শিম্থোং লাঃ ৪০-৪১)

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি লাইরেন্বী তরেৎ অসিগী মনুংদা অমনা ইমোইনু ওই হায়বা ৱাফম অসি শৌগৎপা ওইনা মতাং চানা পনবা য়াবা অমনা হয়িঙৈগী লাইরেন্বী তরেৎ অদুগী মনুংদা অমনা ইমোইনু ওই হায়বসি লাইরেন্বীশিংগী মিংখৈ নৈনরকপদা ময়েক শেংনা ফংই। মখোয় অদুদি-

১) হৈপোকলৈমা-মোনশাম্বী, ২) লালহামপুং লৈমা-হেমোইবী, ৩) নোংমৈপুং লৈমা-ইমোইনু ৪) চিঙঙা লৈমা-লানহৈবী ৫) লাংচিং লৈমা-পিয়াইনু ৬) পিশুম লৈমা-শাফবী ৭) লিৱা লৈমা-তেঙ্গোলচাইবী

মত অসিগী মতুংইন্না ইমোইনু অহোংবী অসি নোংমৈপুং লৈমা ওইনা উৎলি। লাইরেন্বী তরেৎ অসিগী মমা ওইরিবা লাংচিংলৈমা পিয়াইনু অসি থোংঙারেন (থৱারেন) অমসুং পোইরৈতোনবু পোকপী নিংথৌ থোংখুবা নৎত্রগা থঙাংলেনগী নুপীনি।

মথক্কী নৈনরোল অসিদগী ফংলিবা ৱাফমদি ইমোইনু অহোংবী কনানো মহাক্কী শাইওন-লাংওন করিনো থিরকপদা লৌখৎপা য়াবা থিওরি অনী ফংই। অহানবা মত অসিনা খুরাই অহোংপুংদা



পানখিবী তাংজা লিলা পাখংবগী লোইনবী ওইখিবী লাইরেন্বী অসিনি। অনীশুবনা নোংমৈপুং লৈমা। লাইরেন্বী অনী অসি অমতা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু নৈনবা য়াবা ৱাফমদি নোংমৈপুংদা ইমোইনুগী খুভম লৈতে। মফম অসিদা লৈরিবা লাইরেন্বী অসিদি কোলোই লৈমনি অদুনা অকোনবগী থিওরি অসি চিংননিংঙাই ওই। লাইরেন্বী অসিগী শাইওন-লাংওন-লাইচৎকী ওইনদি নোংথাং লৈমা ওইগনি।

**ইরাৎ থৌনিরোলঃ**

লাইরেন্বী অসিগী মতিক মগুণ খঙনরকখিবসি মরুওইনা লুৱাং কুরু পুন্সিবগী তালোই খুমন চনু ঙানু থুন্বীনা পোকপা সেনবা মিমাবা কৌবা মচানুপা অসিনা ইমোইনু অহোংবীবু মমাগী পাউতাক মতুংইন্না মপা ইবুংঙো লুৱাং পুন্সিবগী ময়ূমদগী খুমন লৈবাক্তা পুখিবা অমসুং খুমন লৈপাক অহোং অচাউ তন্নকখিবা থৌদোক অদুদগী লাইরেন্বী অসিগী মতিক মগুণ খঙনরকখি। মথক্কী থৌদোক অসি ৱাকচিংগী ১২নি পানবা নুমিৎতা থোকখি, মরম অদুনা নুমিৎ অসিবু লাইরেন্বী অসিগী নীংশিং নুমিৎ (মপোক নুমিৎ) ওইনা পাংথোক্লরকখি।

চহিগী কুমওন থৌরম অসি মৈতৈ নিংথৌশিংনা লৈবাক মীয়াম হূপ্লা ইমোইনু অহোংবীবু ইরাৎ থৌনিরম্বগী ৱাফম ফংই। চহীগী কুমওন থৌরম অসিগী মথক্তা ইমোইনু অহোংবীবু মৈতৈশিংনা তৎনা থানবা য়াদবা অমগুম হিরম কয়াদা ইরাৎ থৌনিরমই অমসুং থৌনিনরি। হিন্দু লাইনিং চৎচখ্রবসু লাইরেন্বী অসিগী ইরাৎ থৌনিদি হিরম কয়াদা ঙসি ফাওবা কায়দনা পাঙথোক্নরি মখোয়শিং অদু মথং মথং থমজগে-

১) মীরোনবী নুপীনা অফবা মচা ফংজনবগীদমক লাইরেন্বী অসিবু নুপী অদুগী খোইজিখাদা মিহুন হুনখিবা থা ৩-৫-৭শুবা মতমদা খুদোংচাবা থাদা অফবা নুমিৎ য়েংদুনা ইরাৎ থৌনিনৈ।

২) অঙাং অমা পোক্লগা মহাক্কী ইপান নুমিৎতা অয়ূক্কী থৌরমদা মপুংওইনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি ইপান লৈমা, পিথ্রাইবী খোংদাইবী অমসুং ইমোইনু অহোংবীবু অঙাং অদু পুন্সি নুংশাংবা-নুংঙাই য়াইফবা অমা ওইনবা থৌনিজবনি।

৩) মৈতৈগী লূহোংবগী থৌরমদা য়েলহৌঙৈদগী ঙসি ফাওবদা কায়দনা চৎনরক্লিবা ফুঙ্গা লাইরুদা চিরুক নুংশাং থমদুনা ইমোইনু অহোংবীদা কৎতুনা থৌনিরি লোয়ননা খুদম চাংদমশু য়েংনরি।

৪) য়ূম শঙ্গাবগী থৌরমদশু লনথুম অমসুং অহোং অচাউগী মবেম্মা ইমোইনুবু ইরাৎ-থৌনিনৈ। কনাগুম্বা অখঙ-অহৈনদি হেন্না কূপশিনবা ঈরাৎ থৌনি তৌনবশু লৈ। হিন্দু লাইনিং লাকপদগী চৎনবী অসি থাদোক্লরক্তুনা হিন্দুগী লাই লক্ষ্মীবু ইরাৎপা ওইনা অয়াম্বা ফংই।

৫) অসি-অনাগী অখন্নবা ইরাৎলোন হায়বদি মীশি-মীনা চাদনা শিখিবগী চুপশা মোইথেম্বগী থৌরমদা ইমোইনু অহোংবীবুসু ইরাৎ থৌনিরমই।

চুপশাবগী থৌরম অসিদা ফুঙ্গাথোনবগী থৌরম য়াওবা তারবদি হৌনবী নিয়মদা ইমোইনু অহোংবীবু ইরাৎ থৌনীনৈ।

৬) পূম্নমক অসিগী মথক্তা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্কী নুমিদাংগী চাক লোইরগা ময়াম চান-থক্লদ্রিঙৈদা লাইরেন্বীগী শরুক তম্বগী চৎনবী অসি হিন্দু লাইনিং ফনা কনবা ইমুং ফাওবদা কায়দনা চৎনবা অয়াম্বা ইমুংদা থেংনৈ অমসুং তৌনরি। কনাগুম্বগী ইমুংদদি ফুঙ্গা থমদুনা ফুঙ্গা লাইরুদা চাক কৎপশু অদুমক চৎনরি।

**ইমোইনু অহোংবী ইরাৎলোনগী মওংঃ**

লাইদা কৎপদা মপান নাইদে। খ্বাইদগী মরুওইবদি অশেংবা পূক্লিংনি। ঙমজরগা হৌনবী নিয়মদা পাঙথোকপা য়াই। ঙমজবা কুমদা হৈ-লৈতা ওইরসু কৎচরগা খুরুমজবা য়াই। নিয়ম চম্না ইরাৎ থৌনিবিগে হায়বদি লৈমরেন শেক্লিংদা অসুম্না পীরি-

মফমঃ ফুঙ্গালাইরুদা নৎত্রগা মফম চাবা অমদা তৌগনি।

পোৎচংঃ নমোক মখল অহুম, সরেং সপাক অমা (সরেন ওইনা) চবান চফু অমা, ঙা অঙৌবা, (সোইরেনবু কাখিবা) অনি, য়োৎ মচেৎ অমা, লাইনিংথৌ, লাইরেন্বীগী ফিরোই ফিঙাম অশুবা য়াওনা শেম-শানি। জগাগী মতুংইন্না নোংপোক নৎত্রগা অৱাং ওন্দুনা লাইগী পোৎচৈশিং অদু শেম শাগনি। ফিরোই-ফিঙাম শেমদুনা চাউনা তৌবা ওইরবসু পিক্লা লৈনা খুদা ওইদুনা শেল্লগা তৌববু ওইরবসু হৌনবী মতুংইন্না লাইনিংথৌ লাইরেম্বগী লৈহুন তম্লগা তরা মথেন লুকোই লাঙনবা চবান চফু-উয়ান অসিনচিংবা পূম্নমক হৌনবী মতুংইন্না হায়বদি হৈরা-ঙামোক অদুনা লাইগী হেক মমাঙদা থারগা মথংদা চবান চফু (য়েৎতা) উয়ান (ওইদা) অমসুং সরেন ঙা থেন্দুনা থম্লগা ইরুলাইসোন, অনম-অথৌ, নাহৈরোন শোন্দুনা লাই অমসুং পোৎচৈ পূম্নমক শেংদোক্কনি। শাগৈগী চাকলোং কৎপা নৎত্রগা ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বগুম্বদা তৌরিবা নিতি নিয়ম অয়াম্বা ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগনি। অদুগী মতুংদা লাইরেন্বীগী লাইশোন শোন্দুনা থৌনিজগনি।

লাইশোনঃ হে লাইরেম্মা ইমোইনু অহোংবী তরা চাকনীং খাক্লা চাকশৌবী, ৱাৎলৈ য়ূনিংখক্লা য়ূশৌবী, কাইরৈ য়েনিং খাক্লা য়েনশৌবী অচিতৎতবী অরাই কংদবী ইমা নমিংদি- ইমোইনু তিললিসং কৌএ, মিংখৈ অসি শোন্দুনা কৎচরগা মখাগী তেংথারোন অসি শক-শোনগনি।

তেংথারোনঃ “লোইরং সনা লাংপোকও, হোই হোই হোইরাল্লে, হোই হোইরাল্লে, হোই হোইরাল্লে। হা নহাবা অপিশক চিংঙুদশু সলহোইবা, নিংথৌ তেঙ্গোল শোক্কনি, শোক ওইদবা নহানে। হোই হোই হোইরালা রে হোই। মান্দনা মান্দনা পুরে, কিকোইরমক্কী কোইরাময়ে, কোইনা মানদোরে, হোই হোই হোইরালে, হোই হোইরিলা। হাপুন লাকএ হংঙ্গেন লাকএ লাকএ। কেলং লাকয়ে, নোই নোই হোইরালে, হোই হোরিল্লা অতু তুপু তুতুনা মানতোরেলনা হোই হোই হোইরালে হোই হোইরল্লা। হা খোইদোং শলশেনবা কাউরেন ঙাংবা চিশাংবা লোকলৈলক্তা চঙখিরে, পুলৈলোক্তা চঙখিরে, লৈতুম লৈতে হুনফদে। চেগাই লৈতে লৈফদে ঙাংবা রো রো কোল কোল হোইরালে হোরিল্লা। হা খোইদোং শলসেনবা কাউরেল ঙৌবা চিকপাকপা লোকলৈ লোক্তা চঙখিবা পুলৈ লোক্তা চঙখিবা হুল্লালাংনা থুরৌরে, থাংজলিগা লৌরোরে”

অসুম্না লাইশোন অসি শোন্দুনা কৎলগা থৌনিজগনি, পোৎচৈশিং অদু লৌথোক্তুনা তরা মথেল লুকোই থোংলগা চাক অদু লাইরেন্বীগী তমগনি। তরা মথেন লুকোই লাংববু লোইজরে হাউরবসু-হাউএ হায়না হাবিয়ো হাউত্রবু হাউএ হায়না হাবিয়ো হায়রগা নিনিংবা বর নিনৈ।

নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা অয়ূক্কী অমসুং নুমিদাংগী চাক লোইরগা ইমোইনু অহোংবীগী শরুক ফুঙ্গালাইরুদা তমগনি। অদুবু ফুঙ্গা লৈত্রবনা মফম মতমগা চুনবা মওংদা চাকখুমদা খুদোংচাবা য়েংবিরগা লাইগী ওইবা পুখম নৎত্রগা তেঙ্গোৎ তোপ্পা নাইবিদুনা অয়ূক্কী নুমিদাংগী ওইনা ময়াম চানা থক্লদ্রিঙৈদা লাইরেন্বীগী শরুক খরা তম্বীয়ু। ৱাহৈদি-

ইমোইনু অহোংবী/চাকনিং খক্লা চাকশৌবী/য়েনিংখাক্লা য়েনশৌবী/ য়ূনিং খক্লা য়ূশৌবী /ইমা নঙগী মিংখৈদি ইমোইনু তিল লিশং কৌএ/ অরৈবু নঙনা লৈশিনবিরকও/ অহুমবু নঙনা হুমজিনবিরকও/অখোমনু নঙনা খোমজিনবিরকও/অসুম্না কৎচরগা খুরুমজৌ।

হয়ি হয়া লাউনা কোনশিল্লম্লগে।।

**খঙহঞ্জবা**

**পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরিকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।**

**জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।**

*— হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*